# ত্রিপুরা বি এস এফনা লোনা য়াদবা পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে

অগরটালা, জুন ১৯ (এজেন্সী):
বি এস এফ ত্রিপুরা ফ্রন্টিয়র ত্রুপশিংনা ইন্দো-বংলা ঙমখৈগী শরুক্তা ইলিগেল ওইবা মওংদা পুরকখিবা নার্কোটিক কন্সাইনমেন্ট কয়া য়াওনা বংলাদেশতা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা ষণ শঙ্গু অমসু ফাবা ঙমখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাগী সেফাহিজালা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাধুপুর পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা ইলিগেল ওইবা মওংদা অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরে হায়বগী অকক্নবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ৭৪ বটালিয়ন বি এস এফকী পর্সনেলশিংনা ঙরাং অহিং নুমিদাংদগী য়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা থবক তৌবা হৌরকখিবনি। মদুদা মহিন্দ্র বোলেরো মেক্সি ট্রক (টি আর ০১-এক্স-১৫৫৯) দা কিলোগ্রাম ৩,৩৫০ রোমগী ওইগদবা মটর দালশিং হাপ্পুনা পুরকখিবনি। ফারবা পোৎলমশিং অসি লোকেল মার্কেটতা লুপা লাক্ষ ৩.৫ রোমগী ওইগনি।

অমরোমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী বংলাদেশকা তায়নবা ঙমখৈ অমদা মীওই খরনা ত্রিপুরাদগী মশীং য়াম্লবা ষণ কয়া পুশিন্নবা হোৎনরম্বদগী কলহৌবা ঙমখ্রে। ষণশিং অদু চাওরাক্ক া লুপা লাক্ষ ২.৮৮ রোমগী ওইগনি। বি এস এফনা মখা তানা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংশিংগী মনুং চন্না কলমচেরা পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মফম অমদগী লুপা লাক্ষ ১.৩০ রোমগী ওইগদবা য়াবা টেব্লেটশিংগা লোয়ননা চিংনবা মীওই অমা ফাগৎখ্রে। মীওই অদুনা তোংদুনা লাকখিবা নম্বর প্লেট য়াওদবা মোটোর সাইকল অমসু বি এস এফ পর্সনেলশিংনা ফাগৎখিবগা লোয়নননা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগা লোয়নননা মীওই অদু শিন্নখ্রে হায়রি।



কোভিদকী অনীশুবা ৱেভনা চৈথেং ফংহনখ্রবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংবল ময়াই লৈকায়দা চীং তম রুমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন মণিপুরনা সোসল এক্তিভিষ্ট ডোক্তর এলিসন অবোনমাইগা খূৎশম্নদুনা চানা থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙ পীখিবা

# কোভিদ পোজিটিভ ওইবা ৩১৪ গী মনুংদা অঙাং ৮০ হেন্না য়াওরে

আইজোল, জুন ১৯ (এজেন্সী):
মিজোরামদা ইনৌ নৌনা মীওই ৩১৪ কোরোনা ভাইরস পোজিটিভ ওইখিবগী মনুংদা অঙাং ৮০ হেন্না অমসুং সেক্যুরিটি পর্সনেল অনী য়াওখ্রে। অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কেস মশীং ১৬,৭৫০ শুরে হায়না থাংজ নুমিত্তা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিগী অপূনবা মশীং লাক্ষ ১০.৯১ গী চাদা ১.৫৩ কোভিদ-১৯ না শোকহল্লে। মীওই ১০০ খুদিংগী মীওই ১৫ ইনফেক্সন অসি লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লি। নোংমগী ওইবা পোজিটিভ রেট চাদা ৯.৬২ নি। অনৌবা কেসশিং অদু পুন্না সেম্পল ৩,২৬১ টেষ্ট তৌবদা থেংনখিবনি। পেসেন্ট ১৩ ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈখি।

# গভর্ণমেন্ট স্কিমশিংদা অঙাং অনীগী পোলিসি ইমপ্লিমেন্ট তৌরগনি

গুৱাহাটি, জুন ১৯ (এজেন্সী):
অসাম গভর্ণমেন্টকী স্কিমশিংদা অঙাং অনীদগী হেন্না লৈবা মীওইশিং ইলিজিবল ওইররোই হায়না চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা অসাম গভর্ণমেন্টকী অখন্নবা স্কিমশিংদা পোপুলেসন কন্ট্রোলগী নোমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা ৱারেপ লৌরে। নোমশিং অদু গভর্ণমেন্ট স্কিম খুদিংমক্তা এপ্লাই তৌরোই। স্কুলশিংদা লেম্না এদমিসন তৌবা নৎত্রগা প্রধান মন্ত্রি অৱাজ যোজনাগী মতাংদা ঐখোয়গী অঙাং অনী অসিগী নোমশিং অসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবা য়ারোই। তৌইগুম্বসুং সী এম অৱাজ যোজনা অমা হৌদোকপা তারবদি নোমশিং অসি এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# অবসু অমসুং বোরো নুপীশিংগী ওর্গনাইজেসনশিংনা রেপ ভিক্তিমশিংগী জষ্টিস দিমান্দ তৌখ্রে, ফাষ্ট ট্রেক কোর্টকী ত্রায়েল তকশিনখ্রে





গুৱাহাটি, জুন ১৯ (এজেন্সী):
ওল বোরো ষ্টুদেন্স য়ুনিয়ন (অবসু) না বোরো ৱুমেন কোওর্দিনেসন কম্মিটিগা খূৎশম্নরগা থাংজ নুমিত্তা কোক্রাঝারদা নুপীশিংগী মায়োক্তা চথরিবা ক্রাইমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। মখোয়না হন্দক্তা চহী নৌরিবী নুপীমচা অনীবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবগা লোয়নননা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখি।

ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা কেস অদু ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অমদা ৱায়েল চথহন্দুনা ভিক্তিমশিংগী জষ্টিস থুনা ফঙহন্নবসু দিমান্দ তৌখি। হন্দক্তা কোক্রাঝার দিষ্ট্রিক্টকী অবিয়াকুথিদা উ পাম্বী অমদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অনী থৌরি য়াল্লগা শিরম্বা থেংনখিবনি। মখোয়না গেং রেপ তৌরগা হাৎখিবনি হায়বা রিপোর্ট কয়া ফোঙদোকখি।

চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংবু ঈকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিংবু গভর্ণমেন্টনা খ্বাইদগী কনবা চৈরাক পীবা হায়বসি ঐখোয়গী অপাম্বনি হায়না অবসু মেম্বর অমনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কেস অদু ফাষ্ট ট্রেক কোর্টনা ৱায়েল চথহন্দুনা অসিগুম্বা ফৎত্রবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিংদা ৱার্নিং পীবা ওইনা খ্বাইদগী অকনবা চৈরাক ফংহন্দুনা ভিক্তিমশিংগী ইমুংবু জষ্টিস ফংহনগদবনি।

চৈরকসিদা প্রোটেষ্টরশিংনা অসাম গভর্ণমেন্টনা ভক্তিমশিংগী ইমুংদা কম্পেনসেসন পীনবসু দিমান্দ তৌখ্রে। ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মাদা এদ্রেস তৌবা মেমোরেন্দম অমসু কোক্রাঝার দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা সম্মিট তৌখি। প্রোটেষ্টর এন নর্জারিনা হায়, অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা ভিক্তিমশিংগী য়ুমদা চত্তুনা মখোয়গী ইমুং মনুংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখিবা অসিদা ঐখোয়দা নুংঙাইবা ফাওই।

কেস অসিগী জষ্টিস থুনা ফংহন্নবা হোৎনবদা চীফ মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। অসিগুম্বা ক্রাইমশিং মখা তানা থোরকপা থিংনবা অসাম গভর্ণমেন্টনা অকনবা থৌরাংশিং খুদক্তা লৌখৎকদবনি।

# সেন্তরনা লৌমীশিংদা অনৌবা এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি প্রোভাইদ তৌদুনা পোখোক হেন্না পুথোকহন্নবা হোৎনগদৌরি

গুৱাহাটি, জুন ১৯ (এজেন্সী):
বাইওটেক ক্রিসি এনোভেসন সাইন্স এপ্লিকেসন নেটৱার্ককী প্রোগ্রাম মখাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিনা অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগা লোয়নননা লৌমীশিংদা অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজিশিং সপ্লাই তৌদুনা পোখোক হেন্না পুথোকহন্নবা পান্দম থল্লি।



দিপার্টমেন্ট অসিনা অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেটতা লৈরিবা লৌমীশিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিং অথুবা মতমদা খঙদোক্নবা হোৎনবগা লোয়নননা ষ্টেটশিং অসিগী লৌফমদা থাবদা খ্বাইদগী হেন্না চান্নগদবা মহৈ মরোংশিং করম্বনো হায়বদু খঙদোক্তুনা পোখোক হেন্না পুথোকহন্নবা হোৎনগদৌরি।

বাইওটেক কিষাননা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অনৌ অনৌবা এগ্রিকলচর টেক্নোলোজিশিং ফংহনবগা লোয়নননা অনৌবা মখলগী পোৎ চৈ থাবগী মওংসু তাক্কদৌরি। মরু ওইনা মহৈ মরোং থাবগী থবক তৌরিবা নুপীশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা খুদোংচাবশিং অসি পীগনি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি মহৌশানা লৈহাও য়াম্না ফবা মফমশিংনি। অদুবু অখং অহৈশিংনা মতম চানা য়েংশিনদুনা মহৈ মরোং লোকপগী থবক তৌদবনা মরম ওইরগা পোখোক হেন্না পুথোকপা ঙমদবনি।

ষ্টেটশিং অসিদগী অহেনবা মহৈ মরোংগী ওইবা পোখোকশিং পুথোক্নবা সেন্তরনা অচৌবা পান্দম থল্লি। সেন্তরগী পান্দম অসি লৌমীশিংনা মায় পাকহনবা ঙমগনি। বাইওটেক কিষান অসি লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং তৌনবগীদমক হৌখিবা কুম্জা ২০১৭ তা লৈঙাক্না হৌদোকখিবা স্কিম অমনি।

স্কিম অসিগী মখাদা বাইওটেক কিষানগী হব ১৪৬ লিংখৎখ্রে। হায়রিবা হবশিং অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১১০ দা হৌজিক্কী ওইনা মথৌ তৌরি। স্কিম অসিনা হৌজিক ফাওবদা লৌমী লাক্ষ ২ হেনবা রোমদা কান্নবা কয়া পীখ্রে। মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা স্কিম অসিগী মখাদা কা হেন্না পোখোকশিং পুথোক্তুনা ওন্ট্রাপেনর ২০০ হেন্না লৈহনখ্রে। স্কিম অসিনা হৌজিক হৌজিক নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অকনবা মীৎয়েং থম্বা হৌরক্লি। পনবা য়াবদি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংনা লৈবাক অসিদা চান্নরিবা মরু মরাংগী চাদা ১.৫ খক্তমক পুথোকপা ঙল্লি।

## EMPLOYMENT NEWS

CSIR IMMT Recruitment 2021: CSIR - IMMT Bhubaneswar invites online applications from bonafide Indian Citizens for recruitment of Junior Secretariat Assistant and Junior Stenographer positions. The online registration process will be start from 20th May 2021 to 21st June 2021.
Advertisement No. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Junior Secretariat Assistant (G)
07
Junior Secretariat Assistant (F&A)
02
Junior Secretariat Assistant (S&P)
03
Junior Stenographer
02
Age Limit:
Junior Secretariat Assistant: 28 years
Junior Stenographer: 27 years
Pay Scales:
Junior Secretariat Assistant: Pay Level 2 ? 19900 - 63200/-
Junior Stenographer: Pay Level 4 ? 25500 - 81100/-
Educational Qualifications:
10+2 / XII / Matriculation with 12th class Pass or its equivalent.
Proficiency in Computer typing speed (English - 35 w.p.m.)
How to Apply: Eligible Interested candidates are required to apply online through CSIR IMMT official website from 20th May 2021. The last date for registration of online applications is 21/06/2021 till 5:00 PM.

NIFT Srinagar Recruitment 2021: National Institute of Fashion Technology (NIFT) Srinagar invites online applications from eligible candidates for recruitment of Group C posts on direct recruitment on Long Term Contract Basis for a period of 03 years. The last date for registration of online applications is 21st June 2021.
NIFT/Srinagar/ Advt No.: 01/2021
Name of the Post
No of Vacancies
Stenographer Grade III
01
Assistant (F&A)
01
Assistant Warden (Female)
01
Machine Mechanic
01
Library Assistant
01
Junior Assistant
02
Lab Assistant (FD)
01
Lab Assistant (FC)
01
Lab Assistant (IT)
01
Driver
01
Multi Tasking Staff (MTS)
07
Age Limit: Maximum 27 years. Age relaxation as per Govt. rules.
Pay Scales:
Level 4 + Grade Pay Rs 2400/- for Steno, Assistant, Machine Mechanic, Assistant Warden Posts
Level 1 + Grade Pay Rs 1800/- for MTS post.
Level 2 + Grade Pay Rs 1900/- for all other posts.
Educational Qualifications:
Stenographer Grade III: Any Degree. Minimum speed of 80 wpm in shorthand and 40 wpm in typing. Minimum 02 years relevant experience. Proficiency in Computer Operation.
Assistant (F&A): Bachelor's Degree in Commerce with 02 years experience in Finance & Accounts matters (OR) Master's Degree in Commerce with 01 year experience in F&A matters
Assistant Warden (Female): Any Degree + 01 year experience as Assistant Warden.
Machine Mechanic: ITI in Fitter or in maintenance of machines with 01 year experience.
Library Assistant: Degree with Diploma in Library Science (OR) Bachelor's Degree in Library Science. At least 01 year experience.
Junior Assistant: 10+2 Passed or its equivalent qualification. A typing speed of 30 w.p.m in English or 25 w.p.m. in Hindi. Computer Proficiency.
Lab Assistant: 10+2 plus 03 years Diploma in Cutting & Tailoring / Dress Designing with 03 years relevant experience in Industry (OR) 10th class pass plus 03 years Diploma certificate with 05 years experience as Sewing Machine operator with embroidery knowledge and skills and / or sewing supervisor in Industry.
Driver: At least 10th class Pass + Driving license for 02 wheeler / 03 wheeler / Light Motor Vehicle / Heavy Motor Vehicle.
Multi Tasking Staff (MTS): Class 10th / Matriculation Passed or its equivalent qualification.
Selection Process:
Written Examination
Skill Test
Application Fee:
500/- for General, EWS and OBC category candidates.
No fee for SC/ ST / PWD / Female candidates.
The fee can be paid only through online mode using NEFT, Net Banking, Credit Card, Debit Card,& UPI.
How to Apply: Eligible candidates can submit online application through NIFT Online application portal. The last date for registration of online applications is 21/06/2021 up to 5:00 PM. For any queries contact Helpline Number 9622947782.

Odisha HMO Recruitment 2021: Odisha Public Service Commission (OPSC) invites online applications for recruitment to the post of Homoeopathic Medical Officers in the Group B rank of the State under Health and Family Welfare Department. The online registration process will be start from 21st May 2021 to 22nd June 2021.
ADVERTISEMENT NO. 01 of 2021-22
Name of the Post
Total Vacancies
Homoeopathic Medical Officers (HMO)
186
Age Limit:
21 to 32 years as on 1st day of January 2021
He / She must have been born not earlier than 2nd January 1989 and not later than 1st January 2000.
Upper Age Relaxation: 05 years for SC, ST, Women & Ex-servicemen and 10 years fpr PWD (40% disability).
Pay Scale: Pay Band of ? 44,900/- in Level 10 of Cell-1 under ORSP Rules, 2017
Educational Qualifications:
Bachelor's Degree in Homoeopathic Medicine and Surgery (BHMS) or equivalent degree.
He/ She must have registered himself / herself under the Odisha State Board of Homoeopathic Medicine.
Exam Fee:
A Non refundable fee ? 500/- only for General and OBC category candidates.
No fee for SC, ST of Odisha and Person with Disability.
Selection Process:
Career Marking (BHMS) (30%)
Written Test (70%)
How to Apply: Eligible candidates must apply online through OPSC Online Portal (opsc.gov.in) from 21st May 2021. The last date for registration of online applications is 22/06/2021 up to 11:59 PM.

## CROSSWORD-3815



**ACROSS**
1 Very small (4)
3 Rich (8)
9 Hermit (7)
10 Adder (5)
11 Categories (5)
12 Young cattle (6)
14 Servile follower (6)
16 A type of puzzle (6)
19 Tumult, pandemonium (6)
21 Rope fibre (5)
24 Sandy common (5)
25 Young goose (7)
26 Competitions (8)
27 Retained (4)

**DOWN**
1 Song-thrush (8)
2 More pleasant (5)
4 European language (6)
5 Even (5)
6 Female ruler (7)
7 Mountain lake (4)
8 Struggle (6)
13 Dusk (8)
15 Skipper (7)
17 Be adamant (6)
18 Intelligent (6)
20 Pigment made from clay and iron oxide (5)
22 Pig (5)
23 Elegantly stylish (4)

**Solution 3814**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | H | A | N | G | E | S | | T | H | R | O | B |
| A | | B | | R | | A | | R | | E | | U |
| P | O | L | K | A | | H | E | A | R | S | A | Y |
| I | | E | | N | | A | | P | | P | | E |
| T | E | R | R | I | E | R | | S | T | E | E | R |
| A | | | | T | | A | | | | C | | |
| L | O | N | G | E | D | | B | O | A | T | E | R |
| | | E | | | | P | | U | | | | E |
| W | O | U | N | D | | A | C | T | R | E | S | S |
| I | | T | | I | | E | | L | | I | | I |
| S | H | R | I | V | E | L | | E | N | D | E | D |
| E | | A | | E | | L | | T | | E | | E |
| R | U | L | E | S | | A | S | S | U | R | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3614**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 7 | | | | | 6 |
| | 2 | 4 | | | | 5 | | |
| | | | | 1 | | 9 | | 7 |
| 3 | | | | 7 | 2 | | | 9 |
| | | 2 | | 3 | | 8 | | |
| 8 | | | 6 | 5 | | | | 2 |
| 4 | | 8 | | 6 | | | | |
| | | 1 | | | | 7 | 8 | |
| 9 | | | | | 3 | | | |

**Solution-3613**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 3 | 1 | 6 | 4 | 8 | 9 | 7 |
| 6 | 1 | 9 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 2 |
| 8 | 7 | 4 | 5 | 9 | 2 | 1 | 6 | 3 |
| 4 | 3 | 1 | 6 | 8 | 9 | 2 | 7 | 5 |
| 7 | 9 | 5 | 3 | 2 | 1 | 6 | 8 | 4 |
| 2 | 8 | 6 | 4 | 5 | 7 | 3 | 1 | 9 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 6 | 4 | 3 | 8 |
| 3 | 6 | 7 | 8 | 4 | 5 | 9 | 2 | 1 |
| 9 | 4 | 8 | 2 | 1 | 3 | 7 | 5 | 6 |





